এ এ পিগী...

লামায় ১গী মখা... মীখল অদুদা পঞ্জাবকী অপূনবা সিট ১১৭কী মনুংদা এ এ পিনা সিট ৯২ ফংলগা কোংগ্রেসনা ১৮ কাখি অদুগা এস এ দিনা এসেমব্লি সেগমেন্ট ৩দা মায় পাক্লগা বি জে পিনা শুপ্নতগী সিট ২ খক্তমক ফংখি। লোয়ননা অতোপ্পা পার্টিশিংনা সিট ২ ফংখিবনি।

পঞ্জাবকী ওইনা লৈরিবা অপূনবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি ১১৭কী মনুংদা ৩৪না সেদ্যুল্ড কাষ্টকী রিজার্ভ সিটনি। অপূনবা এসেমব্লি সেগমেন্টশিংগী ওইনা লৈখিবা ভোটর মশীংনা ২,১২,৭৫,০৬৬নি। মসিগী মথক্তা সর্ভিস ভোটর ১,১৩,৬৯৮ হাপচিল্লগা হন্দক পাঙথোকখিবা মীখল অদুগী ইলেক্টোরেল রোলদা য়াওখিবা পঞ্জাবকী ভোট থাদবা য়ারবা অপূনবা ইলেক্টরশিংগী মশীংনা ২,১৩,৮৮,৭৬৪নি।

উরিপোককী রাম কৃষ্ণ ...

লামায় ১গী মখা... উরিপোককী অকোয়বদা লৈরিবা লোকল ক্লব অমসুং মৈরা পায়বী লূপশিংগী মীহুৎশিংনা শরুক য়াখি।

পনবা য়াবদি, শ্বামি বিবেকানন্দনা মীওইববু থৌগল তৌবসি ঈশ্বরবু থৌগল তৌবনি হায়রম্বা ৱাখল্লোন অদুগী পরিংদা শাগোন্নরিবা ঈশ্বরশিংবু ঈরাৎ থৌনিবগী শরুক অমা ওইনা মীয়ামগী থবক তৌবা অমসুং অশেংবা লাইনীংগী থৌগলবু ফুরুপ কাঙলূপ অমসুং লাইনীং লম্বেল খেন্নবা থিদনা চঙশিল্লক্লিবা রাম কৃষ্ণ মিসননা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈরিবা কলচরেল অমসুং ত্রেদিসনেলগী থৌগাইশিং অমসুং চৎন-কাঙলোনশিংবু ইকায়খুম্নদুনা ঙাক্তুনা লাক্লিবনি।

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	83.769195
US Dollar	76.181152
British Pound	99.692644
Australian Dollar	55.194554
Chinese Yuan Renminbi	11.995077
Japanese Yen	0.643951
Malaysian Ringgit	18.146716
Singapore Dollar	55.976082
South Korean Won	0.061866
Saudi Arabian Riyal	20.314974
Thai Baht	2.283182

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Benglore	–	Rs	5193.00
Chennai	–	Rs	5257.00
Delhi	–	Rs	5193.00
Hyderbad	–	Rs	5193.00

GAS NEWS

M/S BASHIKHONG INDANE
BOOKING UPTo07/02/22
VALID FROM31/01/22
HOME DELIVERY ONLY...
CONTACT NO. 9089709738 / 8794622868
OFFICE TIMING 7.30AM TO 11AM WILL BE DELIVERY FOR 3 DAYS.
KHORIPHABA NAMBOL
BK.UPTO DATE
Timing 6.30 am to 10am
First come first served
Home delivery no : 6009249086, 8787632782
IMPHAL LPG SERVICE
(Home Delivery only)
Ujjwala connection available
2-03-2022 Update Gas Card With Fresh photo .
New Contact Office No. 6009392991, 9362654114, 03853560556.
Time 8:30 to 12:30 .
Those who haven't received send to whatsApp no.9863624773 their form no1. also available 19kg and 5kg .please don't use other numbers except the notified one. Those Deactivated one submit Aadhar and KYC form for activation.
In view of covid19 and curfew booking can be made through IOCL
1. For whtsapp booking type <REFILL#>LPG ID NO. e.g. start from 70000000xxxxx xxx 16 digital. Send to 7588888824.
2.For onlidistributorsne payment use<Indane Oil One app>
It's applicable for all of IOCL.
Encourage online payment.
Please prepare document i.e. Aadhar accompanied with phone no.and voter ID for Ujjwala connection.Contact Imphal LPG office for ujjawala connection.
MAHALAKSMI INDANE GAS, BK. UPTO 20-1-2022,
valid from 11-1-2022,
Home delivery only,
Plz. cont. office nos.
9366590870,
9862312969,
8787326327,
Timing : 10 am to 12 noon.
For home delivery plz cont. 8414944010, 7005573790, 9366735870
HEINGANG INDANE GRAMIN VITRAK.
BOOKING UPTO DATE.
VALID FROM.
FOR HOME DELIVERY.
M.NOS.9089766365
& M.BOOKING OFFICE-9089161416. CONT. TIME.8.00AM.TO.11.00 AM.
MM GAS SERVICE
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING 8:00 AM TO 12:00 NOON
BOOKING : BK. UPTO DATE
FOR ALL IMPHAL-WEST & IMPHAL-EAST 8131942156 (SMS/WHATSAPP) 7085198900 (ENQUIRY)
FOR ALL THANGMEIBAND & LAMPHEL 7628098544, 9089370369, 9774443052
FOR ALL LANGOL AREA 7085977502

জে এন দান্স একাদেমিদা রাজর্ষি ভৈগ্যচন্দ্র সোলো দান্স ফেষ্টিবেল লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৬ (ঐচএনএস) : ইম্ফালগী জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর দান্স একাদেমীগী ওদিটোরিয়মদা নুমিৎ মঙানি চূপ্পা চথুরকখিবা রাজর্ষি ভৈগ্যচন্দ্র সোলো দান্স ফেষ্টিবেল ঙসি লোইশিনখ্রে।

লোইশিনবগী থৌরমদা একাদেমি অসিগী হান্নগী দিরেক্টর এন জয়চন্দ্র, পদ্মশ্রী ডা. ঈ ইন্দিরা, সঙ্গিৎ নাটক একাদেমি এৱার্দি এ লক্সমি, এল লাখপতি অমসুং একাদেমি অসিগী হান্নগী ভাইস চেয়রমেন প্রোফেসর এ্রচ তোম্বীনা মথংশিংনা অথোইবা মীথুংলেন, অখন্নবা মীথুং অমসুং ময়ায় তাংবল লৌদুনা শরুক য়াখি।

নুমিৎ মঙানি চূপ্পা চথুরকখিবা সোলো দান্স ফেষ্টিবেল অসিদা তোঙান তোঙানবা মণিপুরী সোলো দান্স ৭ উৎখি। জগোয়শিং অদুগী মনুংদা জে এন মণিপুর দান্স একাদেমিগী এস রাহুলনা 'সূর্যপ্রনাম', একাদেমি অসিগী অনন্তদত্তনা 'কৃষ্ণ বন্দনা', ঈ প্রোমিলা চনুনা 'দস অবতার', এন সী লৈশেম্বীনা 'তানুম', এম নোংদম্বীনা 'বসন্ত বর্নন', ললাম্বুংগী মৈতৈ ত্রেদিসনেল দান্স টিচিং স্কুল এন্দ পর্ফোর্মিং সেন্টরগী এ চনচননা 'গোপি অমনা শ্রীমতি রাধাদা পাউ তমজবা' জগোয় উৎখি।

নুমিৎ মঙানি চূপ্পা চথুখিবা সোলো দান্স ফেষ্টিবেল অদু লৈবাক অসিনা নীংতম্লকপা চহী ৭৫ শুরকপগা মরী লৈননা অজাদি কা অমৃট মহোটসবকী শরুক অমা ওইনা একাদেমি অসিগী মপাং য়ুনিট অমা ওইরিবা শঙ্গিৎ নাটক একাদেমি (ন্যু দেল্লী) গা পূন্না খূৎশম্নদুনা শীনবনি।

থা অসিগী ১২দগী হৌরকখিবা ফেষ্টিবেল অসিদা পূন্না একাদেমিগী আর্টিষ্ট ৭ য়াওনা অপূনবা আর্টিষ্ট ৩৭না শরুক য়াখি অমসুং তোঙান তোঙানবা ইন্সটিট্যুসনশিংদগীনা আর্টিষ্ট ৩০ ওইখি। তশেংনমক ফেষ্টিবেল অসি মণিপুরগী হৌগৎলক্লিবা ষ্টারশিংগী মতিংবু উৎথোকপগা লোয়ননা লন্নাই মীওইশিংগী লৈজরিবা মতিক মঙালশিং উৎথোক্লবগী খুদোংচাবা পীখিবা ফেষ্টিবেলনি হায়রি।

খোংজোম পর্ব্ব ৱার্কশোপ কম ত্রেনিং প্রোগ্রাম হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৬ (ঐচএনএস) :

ইন্টিগ্রেটেদ কলচরেল এসোসিএসন, খোংজোমনা শীনবা নুমিৎ ১০নি চথুগদবা খোংজোম পর্ব্ব ৱার্কশোপ কম ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি খোংজোম জোন থ্রীদা লৈবা আশ্রমগী কমপ্লেক্সতা হৌদোকখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবী ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালগী খুনুং ঈশৈগী শৈশকপী আর্টিষ্ট ইরুংবম পদ্মাবতিনা হায়, খোংজোম পর্ব্ব হায়বসি মহাক্তি শুংপন পন্নিংদে। ৱাফম অসি মীগী মরোলনি অদুনা খোংজোম পর্ব্ব হায়বগী মহুত্তা খোংজোম তাঙ্কক হায়জনীংই। ইনাৎকী লৈজরক্লবা ঈশৈশিংগী মনুংদা কুমজা ১৮৯১দা থোকখিবা লৈবাক অসিগী নীংতম্বা তানবদা অরোইবা পোম্থা পীখিবা লাইওইখ্রবা অথৌবশিংগী থৱায়শিংবু নীংশিংবা শৈশক অমনি। ইপা ইপুগী হাক্তংক্তংগী লৈরক্লবা শৈশকশিংগী মনুংদা খোংজোম পর্ব্বগী শৈশক অসিসু পুৱারীগী মনুং চন্দুনা লাক্লবনি। য়াম্না অরিবা ওইনা হৌরকঙৈদগী শাগোন্নদুনা লাক্লবা খোংজোম পর্ব্ব শৈশকমক্তি নত্তে। অদুবু পুৱারীগী মনুংদা চল্লবা শৈশক অমদি ওইরে হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, য়াম্না পূক্লিং নুংশিবা শৈশক অমদি থম্মোয়দা ইনৌদা নৌদুনা লৈরগদবা খোংজোম পর্ব্বগী শৈশক অসি ঙসিগী মীরোলদা কনা অমত্তনা য়োকখৎপীদবা অমসুং পূক্লিং থৌগৎপীদবা শৈশক অমা ওইরি।

খোংজোম পর্ব্ব শৈশকপশিংবু পূক্লিং থৌগৎপীদবা অমসুং থৱায় হাপ্পীদবা মরম্না অদুমক মাঙখিগদ্রা হায়বা ৱাফম লাক্লবনি। মরমদি ৱেষ্টর্নগী চৎনবী অমদা হুমদুনা লাকপা মমি তারক্লে। অদুবু শৈশকপী শৈশকপশিংনা পূক্লিং হন্থবীগনু। ইশা ইশানা তৌরিবা অসিদা চঙশিল্লক্লবনিনা য়োকখৎননবা কন্না হোৎনদুনা থম্নবা হোৎনসি। লমদমসিদা লৈরক্লিবা শৈশক অসি লৈজরক্লবনিনা য়ানশিনবা অমসু য়াওশিল্লক্লে অদুবু য়ারিবমখৈ তোৎশিন্নবা য়াওদবা অমসুং হিন্দুষ্টানি ম্যুজিক চঙদনবা হোৎনবা চঙই হায়খি।

ইন্টিগ্রেটেদ কলচরেল এসোসিএসন, খোংমনগী ভাইস প্রসিদেন্ট এন মেধানা ফোঙদোকখিবদা ৱার্কশোপ কম ত্রেনিং প্রোগ্রাম পাঙথোকচরিবা অসি হৌজিক লৈরিবা খোংজোম পর্ব্ব শৈশক্কী ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা য়োকখৎনবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি।

খোংজোম পর্ব্ব তাবীনবা লৈত্রবা, মীনা কৌরক্তবা শৈশক অমসু ওইরে। মরম অদুনা শৈশক অসিবু শকচনীংবা কয়াদি শকপা ফংদনা লৈরি। নিংথৌ পাল্লিঙৈদা লৈবাক ঙাক্লবা হোৎনবদা মীৎনা শং-শং উহৌবা কছারদগী ধোবি লৈনৌনা অৱাবা কয়াদু ৱারী লীবা ওইনা খোংজোম তেঙ্গোলদা থৱায় কৎখিবা কয়া অদুগী ঈশৈ খোংজোম পর্ব্ব হায়দুনা শক্তুনা খঙহল্লক্লিবা শৈশক অমনি হায়খি।

এক্সপরিমেন্টেল থিএটর ৱার্কশোপ

লামায় ১গী মখা... মীথুং ওইরগা বনিয়ান রেপটোরি থিএটরগী চেয়রমেন মেঘচন্দ্র কোংবমনা থৌরম মপু ওইখি।

লোইশিনবগী থৌরমদা ৱার্কশোপ অসিগী থিম ওইখিবা এক্সপরিমেন্টেল থিএটর টুদে হায়বা হীরমদা ৱা ঙাঙলদুনা বুধ চিংথামনা ঙল্লিঙৈ কুমজা ১৯৭০গী মতমদা এক্সপরিমেন্টেল থিএটরনা শাহৌ ফনা চথুরকপদা মণিপুরগী শক্লাইরবা থিএটরগী আইকোন ওইরিবা ওজাশিংনা মশা মশাগী ফিলোজে াফি অমমমগা লোয়ননা ঙসিদি মণিপুরী থিএটরনা নেসনল অমদি ইন্টরনেসনল এরেনাদা চঙবা ঙল্লে।

অদুম ওইনমক ঙসিগী অনৌবা মীরোলনা শমথরকপদা মতুং ইনবা ১/২ নত্তনা থিএটরবু ফজনা খঙনবা হোৎনদবনা মমি শামথরক্লি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মরম অসিনা অনৌবা মীরোলনা থিএটর কন্সেপ্টকী চনৈনবা অসি খরদং ওইরবসু কোক্লবা পান্দমদা এক্সপরিমেন্টেল থিএটর ৱার্কশোপ অসি পাঙথোকপনি হায়খি।

ষ্টেভেননা মুসুগী প্রসিদেন্ট ওইরে...

লামায় ১গী মখা... লাইশ্রম রনবির (স্পোর্টস সেক্রেটরি) অমসুং পোলিটিকেল সাইন্সকী সোমিচান্দ কৈসিং (লিটরেরি এন্দ পব্লিকেসন সেক্রেটরি) নি হায়রি।

ঙসিগী মীখল অদুনা মুসুগী থৌপুবশিং অসি খনবদা নত্তনা মহৈকোল অসিগী সেন্টর অনী অমসুং দিপার্টমেন্ট ৪২গী ক্লাস রিপ্রজেন্টেটিভশিংসু খনখি।

মফম ৩দা মৈ চাকখ্রে...

*লামায় ১গী মখা...*অমরোমদা ঙসি নুংথিল পুং ৫.৩৬ রোম তারকপদা হাওবম মরক ঙাঙোম লৈকায়দা লৈবা কোন্সম কহ্নাই কৌবা মীওই অমগী য়ুম খঙহৌদনা মৈনা চাকখ্রে। অদুবু থেংনরকপগা পন্থদনা লৈকায়গী মীয়াম্না কনবদগী থোইদোক্লা অমাঙ অতা য়াওখিদ্রে হায়রি।

অদুগা ঙসি নুংথিল পুং ২.৫০ রোম তারকপদনা ইম্ফাল উখ্রুল লম্বীগী মহাদেবদা কার অমা খঙহৌদনা মৈনা চাকখ্রে। থৌদোক অদুদা গাড়ী অদুগী অয়াম্বা শরুক অমাঙ অতা থোকখি অদুবু ইম্ফালদগী ফায়র সর্ভিসকী টিম অমনা মৈ অদু মুৎথৎখি হায়রি।

চীফ মিনিষ্টর কনানা ওইগদগে খঙদ্রি...

লামায় ১গী মখা... ১২শুবা ষ্টেট এসেমব্লি কন্সটিট্যুট তৌরবা ফাওবদা এবসোল্যুট মেজোরিটি ফংবদগী লৈঙাক শেম্নগদবা বি জে পিগী লেজিসলেচর পার্টিগী লিদর খন্দনা লৈরক্লিবসিগা মরী লৈননা ঙসি নুমিদাং পাউচে অসিগা বি জে পি নোর্থ ইষ্ট জোনেল সেক্রেটরি অজয় জমৱালগা টেলিফোনদা শানখিবা ৱারীদা মণিপুরগী বি জে পি লেজিসলেচর পার্টিগী লিদর খনবগা মরী লৈনবা ৱাহংশিং হংখি।

অদুম ওইনমক বি জে পিগী মরু ওইবা লুচিংবশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা অজয় জমৱালনদি হৌজিক ফাওবগী ওইনদি কনানা লেজিসলেচর পার্টিগী লিদর ওইগদগে হায়বদু তংদাংবা খঙদ্রি হায়বা ৱাফম ফোঙদোরকখি। অদুবু লেজিসলেচর পার্টিগী লিদর খন্নবগী থবক সেন্ত্রেল ওবজার্ভর অমসুং কো-ওবজার্ভর অনীনা পায়খৎলকপগা লোয়ননা মদুগী রিপোর্ট অমা পার্লিয়ামেন্টরি বোর্দতা লানখৎলক্কবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ অমসুং বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট জে পি নদ্দানচিংবা লুচিংবশিংনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর কনানা ওইগদগে হায়বদু লেপথোকপদা মরু ওইবা থৌদাং লৌগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, ঙসি ক্যেরটেকর চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি উন্নখিবা খক্তা নত্তনা নেসনল লিদরশিংগী মনুং চল্লিবা অমিট শাহ, নিটিন গদকারি অমসুং নেসনল প্রসিদেন্ট জে পি নদ্দাগসু উন্নখ্রবনি।

ঙরাং এন বিরেন, থোঙাম বিশ্বাজিৎ অমসুং এ শর্দানা দেল্লীদা থুংলবা মতুংদা পার্টি প্রসিদেন্ট জে পি নদ্দা, জেনরেল সেক্রেটরি (ওর্গনাইজেসন) বি এল সন্তোসনা শরুক য়াদুনা মীফম অমসু পাঙথোকখ্রবনি। অদুবু মীফম অদুগী মখা তারকপদা বি এল সন্তোসনা ঙসি নুমিদাং ফাওবদা দেল্লীদা লৈখিবা বি জে পি মণিপুরগী লুচিংবা অহুমগসু তোঙান তোঙান্না উন্নবগী থৌরাং তৌদুনা লৈরিবনি হায়রি।

পাউচে অসিনা ফংবা হৌজিক লিদর খনবগী ৱাফমগা মরী লৈনবা অতোপ্পা পাউ অমনা হায়বদা লেজিসলেচর পার্টিগী লিদর খনবগী থবক পূম্নমক বি জে পি পার্লিয়ামেন্টরি বোর্দকী অয়াবা য়াওরগা পাঙথোক্কনি। হৌজিকমক্কী ওইনদি পার্টিগী লৈরক্লিবা চৎন-কাঙলোনশিং অমত্তা হোংদোক হোংজিন তৌবগী ৱাফম লৈত্রি হায়রি।

অদুবু ঙসি এন বিরেননা প্রাইম মিনিষ্টর উন্নখিবা অদুগী খুদোংচাবা লৌরগা নেসনল মীদিয়া খরদা মহাকপু মণিপুরগী অনীরকশুবা টর্মগী ওইনা চীফ মিনিষ্টর ওইহল্লগনি হায়না ফোঙদোক্লরকখিবা রিপোর্টশিং অদুনা অপূনবা সিট ৬০গী মনুংদা ৩২ ফংদুনা মেজোরিটি কম্মান্দ তৌরিবা পার্টি অসিগী এম এল এশিংগী মনুংদা চরাংনবা থোকহল্লে হায়রি।

অসিগুম্বা বি জে পিগী নেসনল হায় কম্মানদগী অয়াবা অমসুং ওফিসল ওইবা ৱাফম য়াওদনা ফোঙদোক্লরক্লিবা ৱাফমশিং অসি অচুম্বা ওইরোই। থৌওং অসিদি মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর খনবগী ৱাফম নেসনল মীদিয়া খরনা 'মীদিয়া ফিক্সিং' তৌবা ওইনা থোক্কনি। অদুগা লিদর খনবগী থবক্তা নেসনল মীদিয়াশিংনা মানা মানা পাম্বা মায়কৈদা বি জে পিগী নেসনল লিদরশিং অমসুং মণিপুরগী মীয়াম্বু হুমদুনা পুনবগী থৌওংশিং অসিসু দেমোক্রেটিক ওইবা চৎন-কাঙলোনগী ৱাংমদনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোক্লরক্লি।

অসিগুম্বা নেসনল মীদিয়া খরগী থৌওং অসি বি জে পি মণিপুর প্রদেশ অমসুং নেসনল লিদরশিংগী মায়কৈদগী পন্থদনা অকনবা মীৎয়েং চঙহৌগদবনি হায়বা ৱাফমসু থম্নরক্লি।

অমরোমদা, হন্দক্কী মীখলগী রিজল্টদা চাওনা মায় পাক্লকপগী নুংঙাইবা পাউ তম্লুনবগীদমক ঙরাং দেল্লীদা চৎখিবা ক্যেরটেকর চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন, হান্নগী মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বাজিৎ অমসুং বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এ শর্দা হয়েংমক ইম্ফালদা হল্লক্তুনা বি জে পি পার্লিয়ামেন্টরি বোর্দনা সেন্ত্রেল ওবজার্ভর অমসুং কো- ওবজার্ভর অনীদা লিদর খন্নবগীদমক শীন্নখিবা থবকশিং পায়খৎপদা শরুক য়ারনবগীদমক শেম শানখ্রে হায়রি।

সী বি আইনা মখা তানা ইনভেষ্টিগেসন চথুরে...

লামায় ১গী মখা... ফাইনেল রিপোর্ট চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট, ইম্ফাল ৱেষ্টতা মমাঙ চহী ২০২১গী মার্চ ৩০দা ফাইনেল রিপোর্ট নম্বর ০১ ওফ ২০২১ ওইনা ফাইল তৌরকখিবদা ক্লোজর রিপোর্ট ওইনা সবমিট তৌরকখিবনি।

অদুম ওইনমক লৈখিদ্রবী মহৈরোয় বেবিসনাগী অপোকপা নিংথৌজম তোমচৌনা পিটিস্নর ওইদুনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা সী বি আইগী ক্লোজর রিপোর্ট অদুবু চেলেঞ্জ তৌবা ক্রিমিনেল পিটিসন ৫১ ওফ ২০১৯ ফাইল তৌবদগী হায় কোর্টনা মেট্টর অদু খন্নরবা মতুংদা সী বি আইদা অমুক হন্না থৌদোক অদুগী মতাংদা মখা তানা থিজিন্নবা দিরেক্সন পীখি।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী দিরেক্সন মতুংইন্না সী বি আই (কোলকটা) না থৌদোক অদুগী কেস মখা তানা থিজিনবগা লোয়ননা সী জে এম, ইম্ফাল ৱেষ্টকী কোর্টতা মখোয়না এপ্রিল ২৮, ২০২১দা সবমিট তৌখিবা কেস অসিগী ওরিজিনেল দোক্যুমেন্ট, আর্টিকলস, রেকোর্দেদ ষ্টেটমেন্টনচিংবশিং অদু য়াওদবনা কেস অসিগী মখা তাবা ইনভেষ্টিগেসন চথুরকপদা ইনভেষ্টিগেটিভ ওফিসর (আই ও) গী মায়কৈদা খুদোংচাদবশিং মায়োক্লহল্লে অমসুং ইনভেষ্টিগেসনগী থবক্তা খুমাঙ চাওশিনবা ঙমদ্রে হায়রদুনা সী বি আইনা ফাইনেল রিপোর্ট (ক্লোজর রিপোর্ট) ফাইল তৌরকপগা ইরোয়ননা সবমিট তৌখিবা কেস অসিগা মরী লৈনবা চে চাং পূম্নমক অমুক হন্না পীবিনবা হায়জরকখ্রে।

সী বি আইগী প্রেয়র অসিগী মতুংইন্না সী জে এম, ইম্ফাল ৱেষ্টনা ক্রিমিনেল মিসেলিনস কেস নম্বর ৫৬ ওফ ২০২২ লৌখৎখিবনি। অদুগা কেস অসিগী হিয়ারিং চথুরবা মতুংদা সী বি আইনা কোর্ট অসিদা সবমিট তৌরকখিবা মরী লৈনবা চে চাং পূম্নমক সী বি আইগী ইনভেষ্টিগেটিভ ওফিসর ইন্সপেক্টর সুরজিৎ পালদা শীন্নখিনবা খঙহনখ্রে।

মসিগী মতাংদা ঙসি সী জে এম, ইম্ফাল ৱেষ্টনা ওর্দর অমা পীখ্রে। অথুবা মতমদা বেবিসনা মীশিগা মরী লৈনবা কেসকী চে চাং পূম্নমক অমসুং সী আর পি সীগী সেক্সন ১৬১গী মখাদা লৌখিবা ষ্টেটমেন্টশিংসু সী বি আইদা খূৎশিন্নরগনি হায়রি।

বি জে পিনা লুচিংবা অনৌবা লৈঙাক শেম্বদা এন পি পিসু ...

লামায় ১গী মখা... লৈরগদি শোয়দনা বি জে পিনা লুচিংবা মণিপুর লৈঙাক্তা শৌগৎকনি হায়বগী ফিরেপ লৈরে। মসিগীদমক থোঙ লাওনা হাংদুনা লৈরি হায়বগা লোয়ননা মীখলদা শরুক য়াবা হায়বসিনা লৈঙাক শেম্বদগীদি তোঙাল্লি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখ্রে।

অমরোমদা, হৌজিক দেল্লীদা লৈরিবা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট অধিকারিময়ুম শর্দানসু মপানগী পাউচে অমদা ফোঙদোকখিবদা হৌজিক ফাওবগীদি এন পি পিগী মায়কৈদ্দগী বি জে পিনা লুচিংদুনা শেমগদৌরিবা লৈঙাক্তা শৌগৎকনি হায়বগী অইবা চেরোল পীরকপা লৈত্রি অদুবু করিগুম্বা পীরক্লবদি খন্নগনি হায়খি।

অদুম ওইনমক মথং চহীদা মেঘালয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট অদুগী এসেমব্লিগী ইলেক্সনদসু এন পি পিনা বি জে পিগা অদুমক চৎমিন্ননীংবগী অপাম্বা লৈবনিনা হন্দক মণিপুরদা শেমলক্কদবা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক্তসু হান্না চৎমিন্নখিবগুম পার্টি অনী অসি পূন্না চৎমিন্নবা য়াবগী ওইথোকপদি লৈরে হায়রি।

নাকল অমরোমদনা হন্দক পাঙথোকখিবা মণিপুরগী ১২শুবা ষ্টেট এসেমব্লি মীখলদা বি জে পি খক্তনা সিট ৩২ ফংবা ঙমখিবা অদু পার্টি অসি খক্তগী ওইবা হোৎনজমন নত্তে। মদুদা এন পি পি অমসুং এন পি এফকী মায়কৈদগীসু লম্বা তৌনখিবা লৈরগসু য়াম্না পোজিটিভ ওইবা রোলশিং য়াওখি হায়বা ৱাফমসু হৌজিক লৈঙাক শেম্লমদাইদা থোরক্লি। মরম অদুমক্কা মমাঙগী মীখলদা এম এল এ ২৮ কাদুনা সিঙ্গল লার্জেষ্ট মেজোরিটি ওইখিবা কোংগ্রেসপু য়াম্না চাউনা মায়থীবা পীবা ঙমখিবনি হায়বা ৱাফমসু থোরক্লি।

মসিগী মথক্তা বি জে পিনা লুচিংলিবা নেসনল দেমোক্রেটিক এলাইএন্স (এন দি এ) খক্তদা নত্তনা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াগী ওইনা মপাঙ্গল কন্না লৈরিবা নোর্থ ইষ্ট দেমোক্রেটিক এলাইএন্স (নেদা) দসু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিং চাওখৎহনগদবনি হায়বা ৱাখল্লোনগী মখাদা চঙশিল্লকপা দিভেলপমেন্ট প্রোগ্রামশিংদা এন পি পিসু মরু ওইবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লিবনি হায়রি।

মরম অসিনা হৌজিক মীখল মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভম অসিদদি কেম্প্যেনগী মতমদা অমসুং মীখলগী রিজল্ট হায়দোক্লবা মতুংদা হৌজিক্লা ক্যেরটেকর চীফ মিনিষ্টর ওইরিবা এন বিরেননা এন পি পিগদি কৈদৌনুংদা চৎমিন্নরোই হায়বগী ৱাফমশিং ফোঙদোকপা লৈখ্রবসু নেদা অমসুং এন দি এগী লুচিংবশিং য়াওনা বি জে পিগী নেসনল লিদরশিংনা পার্টি অসিনা লুচিংবা অনৌবা লৈঙাক অমা মণিপুরদা শেম্লকপদা শোয়দনা এন পি পিসু মপাং ওইনা চৎমিন্নবা য়াবগী ওইথোকপা হেন্না নকশিল্লক্লি।

এন আই টিদা মীয়াম্না থম্নরম্বা থাজবা মাঙখিগদ্রা ...

লামায় ১গী মখা... মখাদনো হায়বা ৱাফম অসিনি।

অসিগুম্বা চমম্নরিবা ৱাফমশিং অসি চপচাবা অমা খঙনবগীদমক পাউচে অসিনা মখা তানা চথুখিবা ইনভেষ্টিগেসনদা ফংলকপা রিপোর্টকী মতুংইন্না চহী অসিগী মার্চ ৭তা এন আই টি মণিপুরগী রেজিষ্টার ইনচার্জনা থোকখিবা কন্ট্রেক্ট এক্সটেন্সনগী ওর্দর অদুগী সিরিএল নম্বর ৩দা য়াওরিবা টেক্নিকেল ওফিসরগী পোষ্ট অসিদা লৈরিবা মীওই অদুগা উন্নরুবদা মহাক্লা ফোঙদোরকখিবদা এন আই টি ইন্সটিট্যুট অসিদা হান্না সিষ্টম এনালাইসিস/টেক্নিকেল এসিষ্টেন্ট ওইনা লৈরম্বনি। অদুবু পোষ্ট অসিগী মমিং অসি মতমগা চান্ন-চুনরক্তবনা হান্না লৈরম্বা দিজিগনেসন অদু ওন্থোক্তুনা নৌনা থোকখিবা কন্ট্রেক্ট এক্সটেন্সনগী ওর্দর অদুদা টেক্নিকেল ওফিসর হায়না থোক্লকখিবনি। মদুগীদমক তোঙানবা ইন্টরভিয়ুনচিংবা তৌখিবা লৈতে। দিজিগনেসনগী টাইটল খক ওন্থোকপনি। হান্না সিষ্টম এনালাইসিস/টেক্নিকেল এসিষ্টেন্ট ওইনা লৈরম্বা অদুদা ফংলম্বা থাগী তোলোপ ঙসি অদুমক ফংলি, হেনগৎনা ফংবা লৈতে হায়না ফোঙদোরকখি।

লোয়ননা ইনভেষ্টিগেসন অদুগী মনুংচন্না মার্চ ৭তা এন আই টি মণিপুরগী রেজিষ্টার ইনচার্জনা থোকখিবা ওর্দর অদুগী সিরিএল নম্বর ৫দা য়াওরিবা নুপী জুনিয়র এসিষ্টেন্ট অদুগসু উন্নদুনা ৱারি শান্নরুবদা মহাক্লা ফোঙদোরকখিবদা ঐহাক ইন্সটিট্যুট অসিদা হোষ্টেল সুপরভাইজর ওইনা থৌপুরম্মী। ইন্সটিট্যুট অসিদা পাঙথোকখিবা ইন্টরভিয়ু অমা য়াওদুনা জুনিয়র এসিষ্টেন্টগী পোষ্টতা লাকপনি। করিগুম্বা মমাংদা ইন্সটিট্যুট অসিদা হোষ্টেল সুপরভাইজর ওইনা পুরম্বগী এপোইন্টমেন্ট লেটর পাম্লবদি ওফিসিএল ওইনা চে অমা থাবিরকউ হায়না ফোঙদোরকখি।

ইন্সটিট্যুট অসিগী এসিষ্টেন্ট রেজিষ্টারগসু উন্নদুনা ৱারী শান্নরুবদা মহাক্লা হায়, ইন্সটিট্যুট অসিদা অরানবা থবক অমত্তা পাঙথোকপা লৈতে। কন্ট্রেক্ট এক্সটেন্সন ওর্দর থোকপদা দিগজিনেসন হোংলিবা অসি মতমগা চান্ন-চুনবা মওংদা হোংদোক-হোংজিন তৌবা খক্কী ৱানি। মদুদা মখোয়গী থাগী তোলোপ হেনগৎপনচিংবা য়াওদে। মখোয়না হান্না ফংলম্বা তোলোপ অদুমক ফংদুনা লৈরি। ইন্সটিট্যুট অসিদগী অফবা মহৈরোয় পুথোক্লবা লৈরিবা ষ্টাফশিং অসিনা কৎথোকপা অমগা লোয়ননা হোৎনবা ঙাক্তনি। মসিদা য়েংশিনবা মীওই খরনা ইন্সটিট্যুট অসিবু মীয়াম্না লান্না উনবা হোৎনবনি। ঐহাক ইশামক্তসু কেস অমা পানশিনবিরকপদগী কেস অদুসু মখা তানা চথুরি। হৌজিক ইন্সটিট্যুট অসিগী মহৈরোয় কয়া অচৌ-অচৌবা মল্টি নেসনল অমদি ইন্টরনেসনল কম্পনিশিংদা চহীদা লুপা লাক্ষ ৫০ পেকেজ ফংদুনা থবক তৌবা কয়া অমা য়াওনখ্রে হায়নসু ফোঙদোরকখি।

পাউচে অসিনা এন আই টি ইন্সটিট্যুট অসিদা ইঞ্জিনিয়র ওইরিবা সোমোরজিৎ কৌবা মীশক অমগসু উন্নবা হোৎনখি। অদুবু মহাক কেম্পস লৈ অমদি লৈতে হায়বা চপচাবা পাউ ফংদবদগী উন্নবা ফংলকখিদে। লোয়ননা এন আই টি অসিগী দিরেক্টরসু উন্নরগা ৱারী শান্নগে হায়না হোৎনরুবদা নুমীৎ ৪নিগী ছুটি লৌখ্রে হায়না উন্নরকপা ফংখিদে।

পোজিটিভ কেস ৭ খক্তমক থেংনরে, ফগৎলকপসু মীওই...

লামায় ১গী মখা...

ঙসি নুংথিলগী হেল্থ দিপার্টমেন্টকী রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনদগী নুপা ৩ অমসুং নুপী ৪ পূন্না মীওই ৭ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনখি। মখোয়গী পোজিটিভ কেসশিং অদু রিমসতা ১ থেংনরগা লেমহৌরিবা কেস ৬না তোঙান তোঙানবা টেষ্টিং সেন্টরশিংদা থেংনখিবনি। পোজিটিভ ওইরবশিংনা ইম্ফাল ইষ্ট ৪, ইম্ফাল ৱেষ্ট ১, থৌবাল ১ অমসুং সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ১নি। মখোয়গীদমক মেদিকেলগী ওইবা মাঙজেনবা চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুংদা কন্টেনমেন্ট অমসুং কন্টেক্ট ত্রেসিংগী থবকশিং লৌখৎলে হায়রি।

অমরোমদা, ঙসিগী ওইনা মীওই ৭ খক্তমক নাবা ফগৎলক্তুনা দিসচার্জ তৌখি। মখোয় ৭কী মনুংদা হোম আইসোলেসনদগী ৩, রিমসতগী ১ অমসুং কোভিদ ক্যের সেন্টরশিংদগী মীওই ৩ য়াওরি। অদুবু মশীং য়াম্না হন্থরক্লবসু নৌনা থেংনবা পোজিটিভ কেস ৭ অসি হাপচিল্লবা মতুংদা হৌজিক ফাওবদা থেংনবা অপূনবা পোজিটিভ কেস মশীং ১,৩৭,০২৮ (জেনরেল পোপ্যুলেসন - ১,৩২,০১৪ অমসুং মপান্দগী লাকপা সিক্যুরিটি পর্সনেল - ৫,০১৪) শুরে। অদুগা অপূনবা ফগৎলকখ্রবা মীওইশিংগী মশীংনা ১,৩৪,৭৯৬ (জেনরেল পোপ্যুলেসন - ১,২৯,৭৯১ অমসুং মপান্দগী লাকপা সিক্যুরিটি পর্সনেল ৫,০০৫) শুরে হায়রি। এক্টিভ কেসকী মশীংনা ১১৪ (জেনরেল পোপ্যুলেসন - ১১২ অমসুং মপান্দগী লাকপা সিক্যুরিটি পর্সনেল ২) ওইরি। রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৮.৩৭তা লৈরি হায়রি।

অমরোমদা, ঙরাং ফাওবদা তোঙান তোঙানবা হেল্থ ফেসিলিটিশিংদা ফংহনখিবা ওক্সিজেন সিলিন্দরশিংগী মশীংনা দি টাইপ ২৮৩ অমসুং বি টাইপ ৯১নি হায়রি।

জেনিমস অমসুং রিমসতা ঙসি ফাওবদা লৈখিবা অপূনবা কোভিদ পেসেন্টশিংগী ফমুং মশীংনা মথংশিংনা ৩০০ অমসুং ১৯০নি অদুবু জেনিমসকী ফমুং ৩০০গী মনুংদা ৮দা পেসেন্টশিং লৈরগা রিমসকীনা ফমুং ৭৬তা পেসেন্টশিং লৈরি। মরম অসিনা হোস্পিটাল অনীমক্তা ঙসি ফাওবদা হাঙদুনা লৈখিবা ফমুংশিংগী মশীংনা জেনিমসতা ২৯২ অমসুং রিমসতা ১১৪নি হায়রি।

হীদাক কাপথোকপগী চাংনা ঙরাং খক্তদা মীওই ৩৩৫৯ হীদাক কাপথোকখিবা থারগা হৌজিক ফাওবদা পূন্না হীদাক কাপথোক্লবা মীওইশিংগী মশীং ২৭,৫৯,৪১৬ (ফর্ষ্ট দোজ ১৫,২৪,৫০৩ অমসুং সেকেন্দ দোজ - ১১,৭০,৯৬৩) শুরে হায়রি। লোয়ননা কোভিদ ভেক্সিনগী প্রিকোস্নরি দোজ কাপথোক্লবা মীওইশিংগী মশীংনা ৬৩,৯৫০ শুরে হায়রি।

ঙরাং মার্চ ১৫, ২০২২ ফাওবদা মণিপুরগী অপূনবা দিষ্ট্রিক্ট ১৬তা লৈখিবা হীদাক কাপথোক্লবা অপূনবা মীশিংগী চাংনা বিষ্ণুপুর - অহানবা দোজ ৭৩.৭১, অনীশুবা দোজ ৫৯.৫৩, চান্দেল অহানবা দোজ ৭৬.০০, অনীশুবা দোজ ৫৮.৭৫, চুড়াচান্দপুর অহানবা দোজ ৬০.৭০, অনীশুবা দোজ ৫২.৭০, ইম্ফাল ইষ্ট অহানবা দোজ ৭৫.৮৭, অনীশুবা দোজ ৬২.৪৯, ইম্ফাল ৱেষ্ট অহানবা দোজ ৭৭.৫২, অনীশুবা দোজ ৬৬.৩৬, সেনাপতি অহানবা দোজ ৩৫.৪৯, অনীশুবা দোজ ২৯.০১, তমেংলোং অহানবা দোজ ৪৪.১৩, অনীশুবা দোজ ৩৩.৪৯, থৌবাল অহানবা দোজ ৬২.১০ অনীশুবা দোজ ৪৮.১৮, উখ্রুল অহানবা দোজ ৩৯.৭৯, অনীশুবা দোজ ২২.৯৬, তেংনৌপল অহানবা দোজ ৪৯.১৭, অনীশুবা দোজ ৩৬.২৬, কাংপোকপী অহানবা দোজ ২২.৩৯, অনীশুবা দোজ ১৬.২১, কামজোং অহানবা দোজ ৩৭.৮৭, অনীশুবা দোজ ২৭.২১, জিরিবাম অহানবা দোজ ৭৩.১১, অনীশুবা দোজ ৬১.১৮, ফেরজে াল অহানবা দোজ ৩৫.৬৪, অনীশুবা দোজ ৩৫.৬১, নোনে অহানবা দোজ ৪৩.৪৬, অনীশুবা দোজ ৩৪.১৬ ককচীং অহানবা দোজ ৭৮.১১, অনীশুবা দোজ ৬৬.৬০নি হায়রি। অদুগা মণিপুরগী ওইনা অপূনবা কোভিদ ভেক্সিনগী অহানবা দোজ কাপথোকখিবা মীওইশিংগী চাংনা চাদা ৬১.৩৬নি অদুগা অনীশুবা দোজ কাপথোক্লবশিংগী চাংনা চাদা ৫০.০২নি হায়রি।

চহী ১২দগীনা ১৪ ফাওবগী অঙাংশিং কোভিদ...

লামায় ১গী মখা... হৌখিবগা ইরোয়ননা মণিপুরগী ওইনসু ঙসিদগী অঙাংশিংদা কোভিদ ভেক্সিন 'কোর্বেভেক্স' কাপথোকপা হৌখ্রে।

চহী নৌরিবা অঙাংশিংবুসু লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবগীদমক ঙসি হীদাক কাপথোকপা হৌখিবা নুমিৎ অসি লৈবাক অসিগী মীয়াম্না কোভিদ ভেক্সিনগী মায়োক্তা পায়খৎলকপা থবকশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মরু ওইবা নুমিৎ অমনি হায়নসু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা মহাক্কী ত্বিটর একাউন্টতা ফোঙদোরকখ্রে।

মহাক্কী ৱারোল অদুদা ঙসিদগীদি চহী ১২দগীনা ১৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংদসু হীদাক কাপথোকপা হৌবগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী মশাগী চহী ৬০গী মথক্তা লৈবা মীওই পূম্নমকসু কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্কদবনি হায়খি।

মরম অসিনা হায়রিবা চহী কাঙলূপশিং অসিগী মনুংদা লৈরিবা অঙাংশিং অমদি মীয়াম পূম্নমক্কা শোয়দনা হীদাক কাপথোকপীয়ু হায়নসু আপীল তৌখি।

পনবা য়াবদি, ঙসিদগী মণিপুরদসু লৈবাক্কী মফম অতৈদা হৌনখিবগুম্না চহী ১২দগীনা ১৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংদা হীদাক কাপথোকপা হৌখিবগী মতাংদা ষ্টেট ইম্ম্যুনাইজেসন ওফিসর টি মনিহারনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরগী অঙাংশিংদা কাপথোক্কদৌরিবা কোভিদ ভেক্সিন অসিগী মমিং 'কোর্বেভেক্স' কৌই। হীদাক অসি ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট পূম্নমক্তা য়েন্থোকখ্রে হায়রি।

চহী ১২দগীনা ১৩ অমসুং ১৩দগীনা ১৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিং অদু হৌখিবা কুমজা ২০০৮, ২০০৯ অমসুং ২০১০দা পোকপা অঙাংশিং ওইগদবনি হায়বগা লোয়ননা মণিপুরগী ওইনা হীদাক কাপথোক্লবা পান্দম থল্লিবশিংগী মনুংদা চহী ১২দগীনা ১৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংগী অপূনবা মশীং লাখ ১ লিশীং ২০নি। অদুগা মসিগী মনুংদনা চহী ১২দগীনা ১৩ ফাওবগী অঙাংশিংগী মশীংনা লিশীং ৬০নি অদুগা চহী ১৩দগীনা ১৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংগী মশীংনা লিশীং ৬০নি। হায়রিবা অঙাংশিংগী মশীং অসিমক য়ৌনা হীদাক কাপথোক্লবা পান্দম থল্লি হায়খি।

অমরোমদা, ফেমিলি ৱেলফ্যেরগী দিরেক্টর এন শ্যামজাইগী মায়কৈদগীসু মশাগী চহী ৬০ শুরবা মীওই পূম্নমক্কা হৌজিক কোভিদ-১৯গী প্রিকোস্নরি দোজশিং কাপথোকপা য়ারে হায়নসু লাউথোকখ্রবনি। অহানবদদি প্রিকোস্নরি দোজ কাপথোকপগী থবক অসি মশাগী চহী ৬০ শুরবা অমসুং কো-মোর্বিদিটি মায়োক্লবা মীওই খক্তদা কাপকদবনি হায়রম্বনি অদুবু হৌজিক্তি মশাগী চহী ৬০বু শুরবদি হায়রিবা প্রিকোস্নরি দোজ অসি কাপথোকপা য়ারগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, মমাঙগী চহী ২০২১গী মে ১দগী হৌনা মণিপুরদা মশাগী চহী ১৮গী মথক্তা লৈবা নহাশিংদা হীদাক কাপথোকপা হৌখিবনি অদুগা চহী ১৫দগীনা ১৮ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিংদা হীদাক কাপথোকপগী থবক্লা চৎলিবা চহী অসিগী জন্যুৱারী ৩দগী হৌখিবনি।

ঙসিদগী হৌখিবা চহী ১২দগীনা ১৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিং হীদাক কাপথোকপগী থবক অসিনা মণিপুরদা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকপগী তরুকশুবা ফেজ ওইরগদবনি হায়রি।